# নুপী ওইবীগী নুংদা থূপচিন্দুনা খাঙলিবা থৌনাবু য়াকাইহনখিবা লময়ানবা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

নুপীদি ইমানি। তাইবঙগী লৌশিং মঙাল ফংলবা মীওইশিংনা থন্বীরম্বা ৱাহৈনি। রামকৃষ্ণ পরমহংসনসু মাগী লোয়নবী শ্রীমা সারদাবু ইমা হায়না মিংগৌখিবগী ৱাফম থেংনৈ। কয়াদা ৱাংখ্রবা ৱাখল্লোন্নো! নুপীদি পূন্নমক্কী হৌরকফম্নি, পূন্নমক্তগী অথোইবীনি হায়বা নত্তনা করিবু ওইগনি। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগীনি, মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মীওই কাঙলূপকী লাইচৎলোন্দা মালেম লৈমবু ইমা লাইরেন্বীনি হায়না লাৎনরম্বগী মতাং ৱারী লাইরিকশিংদা য়াওরি। লাইরেন্বীশিংবু ইমানি হায়না শৈথানদুনা লাক্লি। ঐখোয়গী লাইচৎলোন্দসু অদুমঙায় ইমা লৈমরেন শিদবীগী লাংওন ওইবী লাইরেন্বী কয়াবুসু ইমাগী শক্লোন ওইরি। করি অমুক হায়রুনি, মহৌশা লাইরেন্বী মহাকসু ইমা মিংথোল ফংলি। অসুন্না ৱাংবদগী ৱাংলবী ইমানি। ইমা হায়বা মিংলেন অসিবু নুপানা ফংবা ঙম্বরা? মতৌ অসুন্না লাইচৎলোনগী ওইবা মীৎয়েং অমদি ৱাখল্লোন্দা পুশিল্লবদি নুপীগী থাক্লা ৱাংবসিদি, আ য়ৌই হায়বা য়াই।

নুপী ওইবীশিংবু অসুক য়াম্না ৱাংনা থাঙ্গৎপীরম্বসি লাইননি হায়বা য়াগদ্রা? ইমা মিংথোন পীবিরম্বসু তাইবঙ মীওইবননি হায়বসিদা লাল্লি করম হায়দৌরিবনো। ইমা লাইরেন্বীনি হায়দুনা শক্তি পূন্নমক পীশিনবসু তাইবঙ মীওইবননি। শা-ঙা, উচেক-ৱায়া অমত্তনা ঙম্বা নত্তে। মদুদা থোইনা হেন্না ঙক্লিবদি নুপী ওইবীবু চিংখৎ চিংথ শান্নরিবা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়সিনি। ইমানি লাইরেন্বীনি হায়না-হায়না শোন্না-শোন্না নুপীবু নমথদুনা থম্বগী মচত্তি অদুম্মক চথ্খদুনা লাকখি। মসি হায়নীংই হায়দুনা পঙহায় হায়জিনবৈ ৱা নত্তে। পুৱারীনা লেঙদা খুদম ওইদুনা লৈরিবনি। ঐখোয়গীদি থম্বু থমখো চাওখৎলবা মালেমগী লৈবাক কয়াদসু অদুম্মক নমথদুনা থন্বীরল্লিবনি। খুদম ওইনা মতম অমগী চাওখৎলবা লৈবাক্লি হায়রিবা ফ্রান্সতসু নুপীশিংনা হীরম খূদীংমক্তা মনীং তম্বা ফংলমদে। কুমজা ১৭৮৯দা থোকখিবা ফ্রেন্স রেভল্যুশন মমাঙদদি নুপীশিংগী পূন্সিদি অফা-অপুন্নবা পূন্সি ওইরম্মী।

ইন্দিয়াগী ওইনসু অকি-তুজুংবনা য়োমশিল্লবা নুপীগী মপোক্লি। কপ্পীংবা ফাওদ্রনে, মপুরোইবা পোৎলোইবগী মৈনুংদা নুপীশিংনা চোংশিনবা নৎত্রগা নমদুনা লংশিনবা। অঙাং নুপী পোকহৈদবগুম্না খন্নরিবা ৱাখল্লোনসিমদি ঙসি ফাওবা পূমকোক কোকহনবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। অসুন্না নুপী ওইবীশিংবু অতিয়া পক্লা থাঙ্গৎপীরবসু নমথদুনা থন্বীবগী মচৎ অসি ঐখোয়গী খুন্নাইসিদসু অদুম্মক মাঙহনবা ঙমদনা লৈরি। মৌগী শীংদা চল্লবী নুপীবু খূদোলপোৎ ওইনা পীথোক-পীশিন য়াবগী থাক্তা থন্বীরম্মী হায়বসি থায়না য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম হায়বদি নোংদা লাইরেন পাখঙবনা কংলাদা নিংথৌজা লৈঙাক লিংখত্তুনা পান্দ্রিঙৈদা খুন্থোরকখিবা পোইরৈতোননা খুন্থোরকখিবগী ৱারীদসু মমি তারি। ময়াম্বা লৈনুং থোঙঙারেনগী য়াথং মতুংইন্না পোইরৈতোননা খুন্থোকপা চৎলমদাইদা থোঙঙারেননা মশামক্কী তালোই লৈমা লাইখুরেন্বীবু পুজখো হায়না ইরায় লায়না পীথোরকই। অদুবু লাইখুরেন্বীনা য়াদবদগী থোঙঙারেনগী তালোয় অতোম্বী লৈমা লৈনাওতাবী ওইনা পোইরৈতোনগা খুল থোকমিন্নখি।

নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তক্তা চনু নিঙোল কয়া লৈমশীংদা চনখিবগী ৱারী লৈ। মখোয়গী মবূক্লিংগী অপাম-পামদা পূন্নমক চৎন-পথাপ অমদি শক্তিনা মচীন মেন্দুনা থমখিবা ঙাক্তনি। চনু নিঙোলদি থম্বু থমখো, মপুরোইবা লৈরবী লোয়ননা নাউপুরবী ফাওবা নম্ফূ হাফূদা খুদুম চনশিন্দুনা লৈমরেনগী ফমথোন থিন্দোকখিবগী ৱারীসু লৈতবা নত্তে। মৈদিংঙু নাউখম্বনা চেংলৈ নিংথৌ থাংয়ি খোংজোম্বগী নাউপুরবী মতালোয় য়াওরৈবা চনুবু মুন্দুনা পুরল্লগা মহাক্কী তালোয় লৈমশীংদা চনখিবনি। অসুন্না মায়োক্লবা লানফম কয়াদা মায় পাক্লবা কাঙবুনা পুরকখিবা লানফা মরক্তা য়াওরকখিবা কয়াবু লৈমশীংদা চনখিবা নৎত্রগা মীনাইনুবী ওইখিবগী থৌদোক ৱারী কয়া মালেমগী মফম অয়াম্বদা থোকখ্রবনি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা নুপী ওইবীশিংগী মরাইবক মশানা শেমজবগী হক লৈরমদে হায়বা য়াই। নিংথৌ শুপ্নম লৈঙাক লোইশিনখ্রবা মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎনা লৈবাক ঙাকপগী লৈঙাক্লোন লৈরবা মতমদসু নুপীগী নীং তম্বসি মপূং ফাদ্রি হায়বা য়াই। মোইরাং কংলৈরোনগী ৱারীদসু তোর্ব্বুংদা কৈ তরেৎ ফাখিবা পুরেম্বদা মোইরাং নিংথৌনা মাগী তালোয় লৈমা অতোম্বী ঙাংখলৈমবু মনা ওইনা পীথোকখি।

মতৌ অসুন্না লীশাং শীৎনা লাকখিবা নুপীবু নমথবগী চৎনরোল অসি ঙসিসু মাঙদ্রি হায়বা য়াই। মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবতনা মীয়ামগীদমক কখোক্তুনা চেন-চোংবা মতমদুদা ঐখোয়গী ইমা ইবেলশিংদো হীরম অয়াম্বদা নমথদুনা থন্বীবা মতম্নি হায়বা য়াই। দ্রামাগী লময়ানবা অমা ওইনা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন লিংখৎপদা মায়পুনবা থৌদাং লৌখিবা হিজম ইরাবতনি। খুন্নাইসিনা নুপীবু মনীং তমহন্দবগী চাংদি লীলা-দ্রামাদা নুপীগী রোল কূপ্বীনবা নুপী লৈরমদে। মরম অদুনা লময়ানবা ইরাবত মশামক্লা নুপী শাদুনা দ্রামা উৎখিবগী ৱারী থন্বীরম্মী। লময়ানবা মহাক্লা নুপী খুন্নাইবু চিংখৎনবা হোৎনবদা মায়পুনবা থৌদাং লৌরম্মী। অতোপ্পা ফূরুপ্তা ময়ূম পানখ্রবা নুপীশিংবু মাংই হায়দুনা ইন্থোকপীরম্মী। অদুবু লময়ানবা মহাক্কী লুচিং মখাদা মাংলে হায়দুনা খুন্নাইদগী ইন্থোকপীখ্রবা নুপী কয়াবু লৌখৎপীরম্মী।

নুপীশিংবু ওৎপী নৈবীবা থিংনবা খোঙজং চঙশিনবদা মায়পুনবা থৌদাং লৌখিবা লুচিংবনি। নুপী লোনবগী চৎনবীনা নুপী কয়াবু অৱাবগী ঈপাক্তা চিংথবগী মরু ওইবা মরম্নি হায়দুনা **নুপী** লোনবা থিংগদবনি হায়না খোল্লাও লাউরম্মী। নুপীশিংদা মহৈ মশিন তম্বগী হক পীদুনা ৱাখল লৌশিং চাওখৎনবা হোৎনবগী তঙায়ফদবশিং মীয়ামদা মরু ওইনা নুপী ওইবীশিংদা খঙহন্নবা হোৎনরম্মী। খৃষ্ট কুম ১৯৩৯গী দিসেম্বরদা হৌরকখিবা নুপীলান অদুবু মপূং ফানা শৌগৎনবা মথং চহী জন্যুৱারী থাদা নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী ৱার্কিং কম্মিটিগী মীটিং পাঙথোকখি। মহাসভাগী মেম্বর মরক্তা নুপীগী ঈহৌ অদু শৌগৎনীংদবগী ৱাফম লাকপদা লুচিংবা অসিনা পাম্বে অমা পুথোকখি। মণিপুর প্রজা সম্মেলনি কৌবা লূপ অমা লিংখৎখি। মসিদগীসু হেন্দোক্তুনা লমদম অসিগী নুপীশিংনা লৈবাক্কী ওইবা অমদি নুপীগী ওইবা ইস্যু কয়াদা মনীং তম্না শরুক য়ানবগীদমক মহাক্কী লমজিং লমতাক মখাদা মহিলা সম্মেলনি কৌবা নুপীশিংগী  ওইবা লূপ অমসু লিংখৎলম্মী। অসুন্না ইমুং মনুংগী কূপ্নোম চাকখুমগী চফূ উয়ান খাবৈ চেগপখক পান্নদুনা লৈবা মতম নৎত্রে, য়ুখল মরুমদগী থোরল্লবা নুপীশিংদা থৌনা হাপখিবনি। তশেংনমক হায়রবদা নুপী ওইবীশিংদি শক্তি কয়াগী তূংনফম্নি, থৌনানা য়োমশিনবনি। অদুবু নমহত্তুনা থন্বীরম্বনা মকা ফোংবা ঙমদবনি। অসিগুম্লবা নুংদা লোত্তুনা লৈরিবা নুপীশিংগী থৌনাবু য়াকাইহনখিবা মণিপুরগী তাঙলবা মপারী লময়ানবা হিজম ইরাবতনি। ●

# ৱা অনৌবগী ৱাখোঙ অরীবা

- নবকুমার ওইনা -



নাৎ হায়বসিদা লাই ওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংবু নীংশিংজবা অমা য়াওরি হায়বসিবু চুল্লিব্রা? ইপা-ইপুনা শেৎনরম্বা ফি খুদৈ; ইন্নরম্বা ঙৌবোং, খোঙগী খুরুম হায়বশিংদু উবদি উবা মমিংদি হোংখ্রবা হায়গদ্রা, কয়া লৈত্রে। অদুগা নাৎকী ৱা য়াম্না ঙাঙনবসু য়াওরি। অদুসু খন্নরিঙৈ পুঙ্খায় অমগী ৱাতনি, ময়ূমদদি ঙাঙনবা নত্তে। নাৎ ঙাকপা-ঙাক্তবগী ৱাদু নত্তবা ৱাফম অমা থোক্লকই। মীয়ামসিগী মকোক্তবু নাৎ হায়বদু য়াওরিব্রা হায়বা। থাও তৈবদৌনা তৈবা, শম শঙবগুম্না শঙবা খরদু নাৎ ঙাক্লিবনি হায়বা য়াদ্রে হায়গনি। মী অমগী ৱা নত্তে, উরিবসি হায়বনি। কোক্তদি য়াওদনা চিন্দা কংয়েৎ য়েৎলনু। নাৎ ঙাকপা ঙাক্তবা, নাৎ নুংশিবা শারনু।

য়ূমথংনবদগী শুমশিৎ ৱায়বগী ৱারী অমা লৈ। ৱায়রগা অসুম শিৎলম্বদগী মন্থরকপদা ৱায়ফমদুগীদি অমা অহনবা ওইনা লৈখ্রবা মতুংদা ৱায়রবসু থিল্লুদ্রে। পোৎ ৱায়রগা থিংদাক্তবা মী য়াম্না লৈরি। নোংমা নীনি লৈরগদি শুমশিৎ অমনবদুগী মমিং ‘ঐখোয়গী শুমশিৎ’ কৌখ্রে। ঐখোয়গীসু নাৎ অরীবদি য়াম্বা নত্তে, মী অমনা হৌদোল্লক্সমখৈ নাৎনি হায়জিনবনি। মীগী অমনবসু য়াম্মনখ্রে, নাৎকী ৱাসি ইকায়দ্রবদি লন-লৈ হায়বদুনি। নাৎতা ঙাওবসিসু নাৎ অমনি, অঙাওবা য়াল্লবদি নাৎসু য়াল্লকপা তাবনি, লাইদা ঙাওবদগী লাইসু য়ামখৎলক্লি। ঙাওনরিবসিসু লাকশিনবা (কন্ট্রোল তৌবা) অমা তঙাইফদবা লাকই নৎত্রবদি নাৎনা ৱায় চাইবগী চায়নবা শোয়দনা থোক্কনি।

চারগা ফায়বসিমুক হোংদবা নাৎ অমা লৈত্রে। ফায়ফমসু হোংখ্রে, চারিবা মথেলসু হোংখ্রে, থোংফমসু হোংখ্রে, লৈরংসু হোংনখ্রে। অদুগা চাবদা করিগী নাৎ, ফৈজোম শেৎলবদি য়ু খরা থক্তবা য়াদে হায়বসি নাৎ ওইরবনি। অখঙবা ’ফবা শারগা পঙঙাঙদা ঙাঙনবগী ৱাতনি। মশাদি বি পি নাইরিবনি, ঈশিং পুকচৎ নাইরিবনি, লাইয়ৈ-য়ৈরগা শিবসি নাৎ ওইরবনি। করিগী নাদনি, চহী চূপ্পা চাবগী চাবা ঙাক্ত, চাবগী নাৎ লৈজৈ। চহী হৌই চায়, চৈরাওই চায়, য়াওশঙগীসু চায়, চাক্কৌবগীসু চায়, লাংবন থাখায় অমা চায়, লাই হরাওবগী থা অমা চায়, পোকপা য়াওরসু চায়, লু-কোকপগীসু চায়, শিবগীসু চায়, কুমওনগীসু চায়। হরাওবগী চাবা, লাইগী মিংদা চাবসি নাৎনি হায়রিবনি।

লায়রবা তান্নবা নাৎ হায়বা অমসু লৈরি। মপা-মমা শিবা য়াওরবদি ইঙ্খোল বনধোপ থম্নৈ হায়নরিবনি। থাখায় অমা লাংবন হৈশোয় খোংবান্দা হৈদোকপা ঙম্নরিবনি। লুক কৎপদা বি পি নাবা, হার্ট নাবগী মশীং হেনগৎপা তাবনি। অঙাংনা হংবা ৱাহং অমা লৈ, হৈশোয় কৎপসি ইপা-ইপুদা কৎপনি হায়বনিনা “ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংদুবু পৃথিগী ঈশিং মনুংদা লৈব্রা’ অসিনি। ইরল কয়া লৈরদনা হৈকোল-লৈকোল কয়া লৈরদনা থাখায় অমা হুন্দোল্লগদুম মাঙহনবা অসিবু করি নাৎনো? লাইগী নাৎ নত্তে, কোক পৈবা নাৎ হায়বা তাবনি। হান্না লৈরম্বা নত্তে মরক্তা লৌশিনবনি। খুরাগী-মান্মগী-তাদগী-ইকুবোক্কী অপান্বা ময়াম খোমজিন্নরগা নাৎ শেন্বগী থবকসি তোক্লরসি। নাৎ শেন্বগী নাৎতু ফজবা নত্তে।

নাৎকী ৱাসিদা অখঙবা শানবগী নাৎ অমসু য়াওরিবা মাল্লক্লি। মালেমগী মচি খূদীংদগী অমা হেক্তা পুশিল্লকপদা অথিঙবা লৈবা উদে। হায়বদি পঙহায় হায়নৈ, হায়রিবা মহাকসু অৱায়বা নাৎ অমদা লৈরি খল্লি। হৈ-রা খোংবান্দা হৈদোকপসি মালেমগী মফম অতৈদা লৈতে, অদুবু থুগায়রগা মাঙহনবা, নেৎখায়বদি ময়াম লৈরি। য়েরুম্না থোম্নবসু লৈ, ৱাহন্থোক্তি মান্নদে। অঙাংদা পীজবসু লৈ।

তশেংবদি ঙসিগী মালেমসিদা নাৎ কয়াগী শক্তম হোংলক্লবনি। ইশম শম্না লাই হায়বসি ইনর্জি হায়রিবসিনি হায়না খোঙজেল য়াঙনা খঙনরক্লিবসি ইন্টিলেকচুয়েলশিংগী নাৎ ওইরক্লবনি। অদুবু মীওই খরদি নুঙ য়ানবগুম য়াল্লিবনি। মদুমক্লা খুন্নাইগী লৈঙাক শেমগৎপদসু অপনবা চৈথেং কয়া পীনরিবনি। লৈঙাক্কী নাৎতা মশক নায়বা ঙল্লক্তবদগী খুন্নাইদুগী নাৎ মুখরক্লিবনি। মুৎপা য়াওনরিবনি, মরৈবাক নীংবগী নাৎ অমা শাগৎপা ঙল্লক্ত্রবদি লৈবাক অদুতা নত্তে, খুন্নাই অমা চায়খায়রগা পুন্মুৎ মুৎপা য়াওরিবনি। খুন্নাই অসিমক মদুগী থাক্তা লৈরবনি। খঙনদ্রিবা অসিমক নাৎ অমা ওইরবনি, কোক লৈখৎনবগী নাৎ অমা লৈরবনি।

লৌউ-শিংউবগী নাৎ মাঙখ্রে, মেছিনগী নাৎ হৌখ্রে; লৈবাক নীংবগী নাৎ মাঙখ্রে, লুচিংবা ওইনবগী নাৎ হৌখ্রে। হৈবোং মনুংগী নাৎ অমদা নিংথৌ শাবগী লীলা শান্নবগা মান্নখ্রে। লীলাসু নাৎ অমনি হায়রিবনি। মমা-মপা থাকপা তনবা, ওল্ড এজ হোমদা থম্বগী লীলা চহী চূপ্পা নাকোংদা তারিবসি নাৎ অমা ওইরবা নৎত্রিবরা? অহিংবা মমা-মপা, মচিন-মনাও নুংশিনদ্রবা নাৎ মরক্তা করম্বা মরৈবাক নীংবগী ৱাখলগী ময়োন চোঙগদৌরিবনো?

কনা অমনা তন্বীবা শোয়বগীনি হায়রি। করিনো তন্বীরিববো? লাইরিক তন্বীবগী নাৎ হোংখ্রে, এগজাম তন্বীবা ওইখ্রে। লাইরিক তন্বীবা হায়ববু করিনো, লাইগী লিক য়াওদে, অপাম্বা নীবতনি। কনানা কৈদৌবগী পীরক্কদৌরিবনো? নীবগী নাৎ অদু লাল্লিবগীনি। লাই নীংববু নীবগী নাৎ ওন্থোকখ্রিবসি করিদগীনো? থবক শূনীংদবা অরেম্বা পাম্বা, পঙবদগী ফংগদৌবা মানবগী থাজবা নাৎ অদুননি। মরক অসিদা চিন থীনবগী নাৎ অমসু থেৎলগা য়াওজরিবনি। মরক অদুমক্তদা অখঙবা শাবগী নাৎ অমনা থৌরী তাবগুম য়েৎলিবা অদুনা মায়কৈ লান্না পুববু ঙম্নরিবনি। অখঙবশিংনা মশা মদোমবু থাজবা ৱাৎনরকপদগী য়েৎশিল্লক্লিবা কয়া থৈদোকপা ঙমদবগীদি খোংবান্দা পুন্না তাশিনমিন্নবনি, লুখাক কোম ওল্লকপনি হায়বা খঙনদ্রিবনি। অখঙবশিংগী নাৎ অমা ওইনা লৈরক্ত্রবনি, পুনদ্রবনি।

শেল তানবগী চৎনবীদা ৱানোম্বা, শেল চাবা, পুকচেল শেংনদবগী নাৎ অমা মপূং ফানা শাগৎলবনি। ভেল্যু খুদিংমক শেল খরা য়াম্না পায়বদা থম্নখ্রে। খুন্নাইনা অয়াবা পীরবগুম মীয়াম অমগী শাজত্তা নপ্পগা চৎলিবসি শেলদা ঙাওনবসিনি। নাৎ ওইরবনি। লৌশিং ৱাৎপনা থাজনবী মাঙনখ্রে, লোনচত্তা লৌশিংগী ৱা য়াওশিল্লক্ত্রে, নম্ফুনা চৎনবী নাৎ ওইরক্লবনি। ইপা-ইপুনা থাজবা থল্লম্বা লৈবাক-লৈঙাক, শাজৎ-লিচৎ, থকসি-খাসি কয়াগী থংথরক্লবা লৌশিং য়াওরবা চারোল-শুরোল লৈরক্তরে খল্লে। মিংচৎ লৈনা, মীতিক-মীরৌ খঙনা, মতিং ফূদোকপা, মশানা মশাবু খঙজবা লূপ ওইনা শাগৎপা ঙম্বগী নাৎ অমা লৈবা উরক্তরে। শান্নবদা ফংলিবা মিংচৎ অসি লৈঙাক্তদি ফংদে, মিংচৎনা নাৎ ওইবা ঙমদ্রি। থবক শুনীংদবগী ৱার্ক কলচর লৈবা য়ারোই। লৈবাক অদুদি খঙদনা কদায়দগী নুংশিবগী কলচর, নাৎ মুনবগী নাৎ অমসু লৈরি।

ইরৈবাক অমা শেমজবা হায়বসি তঙাইফদবা নাৎ অমনি। নাৎ কয়া পঙহোংদা হোংলে, সেদেন্টরি নাৎ অমদা পঙথরগা লৈহৌরে। পঙয়েৎ য়েৎনবগী নাৎ অমদা ঙাওনরে। ৱানৌ চোংলবসু উশোয় উতি চাথোক্লরে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২২গী ৱাহং

১) “ৱানোম্বা” হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) “বিলি বিশ্বাশকী অঙকপা কেশ” হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং ইয়ু।

৩) “শৈরেং চাম্মনিপাল” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) “নুপীগী আশ্রম” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) “মপান মণিপুরগী মণিপুরী সাহিত্যগী মশক” হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১২১গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,৪,৫)
২) থোকচোম নিরুপমা, পাৎশোই পার্ট - থ্রী - (২,৪,৫)
৩) খাইদেম বিলিয়ন মৈতৈ, লমশাং বজার - (২,৪,৫)
৪) মাইস্নাম বুদ্ধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৪,৫)
৫) **অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৪,৫)**
৬) মাইবম কাংজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (১,৪,৫)
৭) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১২১গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১২১গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২১গী পাউখুম

১) “কৃষ্ণ চরিত” হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:- মণিপুরীদা হন্দোকপা - এলাংবম সোনামণি, ওরিজিনেল রাইটর - বঙ্কীমচন্দ্র, অহানবা ফোঙবা - ফেব্রুৱারী ২০০০।**

২) “নাটক অমসুং সমাজ” হায়না মিংথোনবা ৱারেং অসি অপূনবা ৱারেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা ৱারেং লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো? **:-ৱারেং লাইরিক্কী মমিং - থিয়েটরগী ৱারোল, অইবা - অয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহ, অহানবা ফোঙবা - ফেব্রুৱারী, ১৯৮৫।**

৩) “অরাম্বাই মকু” হায়বা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু। **:- লাইরিক্কী মমিং - কেগে মখোঙদা সার্টিফিকেট, অইবা - এলাংবম দীনমনি, অহানবা ফোঙবা - ১৯৯৫।**

৪) “নোংদম” হায়বা দ্রামাগী লাইরিক অসি কনানা ইবগে? **:- অইবা - শ্রীমহেন্দ্র শর্ম্মা, অহানবা ফোঙবা - ১৯৬৭।**

৫) “শান্তিগী লৈরাং” হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবা অসিগী মমিং ইয়ু। **:- অইবা - কব্রাবম নীলকান্ত সিংহ, অহানবা ফোঙবা : ২০ ওক্টোবর ২০০৪।**

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ফোরেষ্ট লোয়শঙনা হৈঙাং চীংদা কাব্রং পান্বী য়াম্থৎতুনা ইভিক্সন হৌখ্রে

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৈঙাং চীং কনানা কল্লকই? চীং অসি কনানা ঙাক্লকই, করি করম্বা ফীভমদা লৈরম্মী হায়বসি নৈনসি-খঙমিন্নসি। চহী ৪০গী মমাঙ হৈঙাং চীং অকিবগী মশক ওইরবা উরু-ৱারু তান্দুনা উফুল ৱা-ৱা হৌরবা লৈঙাং চীং ওইরম্মী। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা হৈঙাং চীং কনবা-ঙাকপা ঙম্বগী পাঙ্গল থৌনা লৈখিদে। রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া ওইরিবা চীং অসি করম্না কল্লকই হায়বসি খঙবদা কান্নগনি, নৈনমিন্নসি।

কুমজা ১৯৭৯গী এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা কাখিবা হৈঙাং এ সীগী মতমদুগী এম এল এ ৱাইখোম জাগোরনা মাগী অহানবা তৌগদবা থবক্তি হৈঙাং চীং কনবনি হায়খি। মদুনা মরম ওইদুনা ওল ইন্দিয়াগী ওইনা ইন্দিয়াগী রিজার্ভ চীং পূন্নমক্তা সোশল ফোরেষ্ট্রি প্রোগ্রামগী মখাদা চীং ঙাক্লবা, চীং কন্ননবা থৌরাংদা হৈঙাং রিজার্ভ ফোরেষ্টসু য়াওশিন্দুনা মতমদুগী এম এল এ ৱাইখোম জাগোরনা মণিপুর লৈঙাক্তগী চীং লৌদুনা মীয়ামগা ৱাখল তামিন্নদুনা চীং কন্ননবগী থবক পায়খৎপা হৌখি। মদুনা মরম ওইরগা মতমদুগী এম এল এ ৱাইখোম জাগোরনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা সোশল ফোরেষ্ট্রি প্রোগ্রামগী মখাদা চীং অসি ঙাকচগে, শংহনগে, চীং অসি পীবিয়ু হায়না এপ্লিকেশন পীশিনখি। মদুনসু ওইবা য়াদবনা ৱাইখোম জাগোরনা এসেমব্লি ফ্লোরদা পুখৎতুনা হৈঙাং চীং সোশল ফোরেষ্ট্রি প্রোগ্রামগী মখাদা হৈঙাং চীং পুংশং শংহঞ্জগে, ঐগী মীয়ামগা লোয়নরগা চীং অসি ঙাকচগে হায়খিবদা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর রিশাং কৈসিং য়াওনা এম এল এ ৫৯না অয়াবা পীখি। এসেমব্লিগী ৱারেপ অসি ষ্টেটকী অকনবা ৱারেপনি। ষ্টেটকী এসেমব্লিগী ৱারেপ্পা অয়াবা পীদুনা Vide No. 8/34/2A/'80 Forest dated, Imphal 21st Feb. 1981 দা Annuyok J. Tangyeng, Commissioner (Forest) Govt. of Manipur না এম এল এ ৱাইখোম জাগোর হৈঙাং এ সীদা ২১০ হেক্টর, হৈঙাং চীং সোশল ফোরেষ্ট্রি প্রোগ্রামগীদমক শিন্নরকখি।

খুঙ্গংগী মীয়াম্না সোশল ফোরেষ্ট্রিগী ওইবা কো-ওপরেটিভ সোসাইটি তরেৎ শেমদুনা রেজিষ্টর তৌদুনা চীংসিদা মীগীদমক, শাশিংগীদমক শীংয়োক, উয়োক তৌদুনা মাগী-মাগী ঙমখৈ খায়দোক্লদুনা হৈঙাং চীংদা মাগী-মাগী শক্তম উয়োক শেমগৎনদুনা লাকখি। হৈঙাং চীংগী শক্তম কন্ননবা মাগী-মাগী সোসাইটিশিংদগী মীহুৎ ৫/৫না শেম্বা অপূনবা য়ুনিয়ন সোশল ফোরেষ্ট্রি য়ুনিয়ন (এস এ এফ য়ু) হৈঙাং চীং কৌবা লূপ অমা শেমদুনা হৈঙাং চীং ঙাক্তুনা লাকখি। মরূ কোক্লবা হৈঙাং চীং পুংশং শংনা উজাও-ৱাজাও, হৈ-রা থাদুনা, ঈশিং নুংশিৎকী খল (ফীভম) কায়হন্দনা ঙাক শেন্দুনা লাক্লি।

এস এ এফ য়ুনা চীং ঙাকপগী হেন্না ফগৎহন্নবা মীয়াম্বু পূক্লিং চিংশিনহন্ননবগী উ-ৱা থাবগী কান্নবা সেমিনার, খন্ন-নৈনবা, উমং কনবা হায়বসিদা চীং পীরকখিবা নুমিৎ নীংশিংদুনা লেপ্তুনা এপ এ এফ য়ুনা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখি।

কুমজা ২০১১গী সেপ্টেম্বর ১০দা হৈঙাং মার্জিং লাইবুংদা হৈঙাং চীং হেন্না কনশিন্না ঙাক শেন্নবা সোশল ফোরেষ্ট্রি পোটেক্সন ফোর্স (এস এফ পি এফ) কৌবা মীয়ামগী উমং কনবা লূপ শেমদোক্তুনা হৈঙাং গ্রাম সভাগী প্রধান, জিলা পরিষদ য়াওনা মীফমসু পাঙথোকখি। মীফমদুনা কূপ্না খন্ন-নৈনদুনা এস এফ পি এফকী ‘চৎন-লোনচৎ’ য়াওবা ‘হৈঙাং চীং কল্লু, নশা কল্লু’ হায়বা কান্নরবা দোক্যুমেন্ট কয়া য়াওরবা লাইরিক মচা অমসু মীয়ামদা ফোঙখি। মীয়াম য়াওনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট খক্তনা হৈঙাং চীং কনবা-ঙাকপা ওইথোক্লোই। চীং কনবা-ঙাকপা হায়বসি মীয়ামগা লোয়ননা এস এফ পি এফ খক্তনা ঙাকপা ঙমগনি।

হৈঙাং চীংদা লৌউ-শিংউ লোয়শঙনা শীং, য়াইঙং থাবগী অপীকপা শেনফম কয়া পীদুনা ফার্মরশিংনা কান্নবা কয়া লৌখি। মথংদনা সেরিকলচর লোয়শঙনা জপান প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎতুনা হৈঙাং চীংদা কাব্রং পান্বী থানবা থৌরাং পাক শন্না পায়খৎখি। হৈঙাং চীংদা কান্নবা কয়া পীনবা নুমিৎ ৭নি এৱ্যেরর্নেস কেম্প্যেন অমসু মতমদুগী গভর্ণর ভেদ মরুৱানা লুচিংদুনা হৌদোকখি। লোয়ননা মতমদুগী সেরিকলচর দিরেক্টর এস ঐচ দেবব্রত শর্ম্মানা ফার্মরশিংদা কাব্রং পান্বী থাদুনা শেন্থোক লৈনা হিংনবা ফার্মরশিংদা মখল মখা কয়াগী ট্রেনিংসু পীখি। তীলয়োকশঙ শাদুনা তীল য়োন্নবা য়াওখি, কাব্রং মনা হেক্তুনা খুঙ্গংগী থৱায় য়াওবশিংসু কাব্রং তীল য়োক্লখি, মহুম পুথোক্তুনা কান্নবা কয়া ফংনখি।

হৈঙাং চীংবু ঙাক-শেনবা, কনবা হায়বসি এস এফ পি এফকী লমায় ১১দা য়াওরিবা মতম মতমগী বোর্দকী মীফমদা য়াওবীনবা হায়জগদবশিং (১) লোকল এম এল এ (২) গ্রাম সভাগী জিলা পরিষদ (৩) গ্রাম সভাগী প্রধান (৪) ওফিসরদগী তাদবা ফোরেষ্টতগী অমা, মতম মতমগী ওইবা বোর্দকী মীফম্না মরী লৈনবশিংদা মীফম ফমদুনা নৈনরগা হৈঙাং চীং কনবা ঙমগনি নৎত্রবদি শংলম্বা হৈঙাং চীং মাঙখিগদরা? মতম অমগী লৈঙাং চীং হঞ্জিল্লক্কদরা অকিবা পোকই।

**অদোমগী - এন কে লুৱাং, হৈঙাং**